ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯁꯒꯣꯜꯁꯦꯟ, ꯑꯦꯞꯔꯤꯜ ꯱꯵, ꯲꯰꯲꯱, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯵ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯰꯲꯰ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ
শগোলশেল, এপ্রিল ১৫, ২০২১, ইম্ফাল
৪৫শুবা চহী, ০২০শুবা মশীং

# ময়াই লম্বী পরিংদা অনৌবা উকু চনবা

## ফননবা তৌবদা থৱায় মাঙনবগী হাইগৎ লাং তাহনগুমসি

মণিপুরগী মরুওইবা লম্বীশিংগী মনুংদগী টিদ্দিম লম্বী (ইম্ফাল-চুড়াচান্দপুর রোদ), ইম্ফাল-উখ্রুল রোদ অমসুং মতম অমদা বর্মা-শুগনু রোদ হায়রগসু খঙনরম্বা ইম্ফাল-মোরে লম্বী (ইন্দো-ম্যান্মার রোদ) অমদি ইম্ফাল-দিমাপুর লম্বীনচিংবশিং অসিদি মতমগী মতুংইন্না নেসনল হায়ৱেদগী ফাওবা হেন্দোরক্তুনা এসিয়ন হায়ৱে অমগী থাক য়ৌহন্নবা থবকশিং পায়খৎলকপদগী হায়রিবা লম্বীশিং অসিদা চৎথোক-চৎশিন তৌরিবা মীয়াম্না মায়োক্নরম্বা ফৎতবা লম্বী অমসুং ত্রাফিক্কী খুদোংচাদবশিং অদুদি তপ্না তপ্না ময়েং তারক্লে। অদুবু নেসনল হায়ৱে নৎত্রগা এসিয়ন হায়ৱে অমা ওইরক্লবগী মঙ মঙবা হৌবদা ঙাইরিবা মণিপুরগী ষ্টেট হায়ৱেশিংগী মনুংদা মরুওইবা লম্বী অমা ওইরক্লিবা ময়াই লম্বী হায়রগসু খঙনরিবা ইম্ফাল-ময়াং ইম্ফাল লম্বীদা হৌজিক অনৌবা উকু (কলভর্ট)শিং হাপচিনগনি হায়দুনা মসিগীদমক চত্থরক্লিবা থবকশিংসি কুইমনখ্রে। তৌগদৌরিবা থবক অসিবুদি অফবা থবকনি। মরমদি ময়াই লম্বীগী নাক-য়েৎতা লৈরিবা মফমশিং অসি অয়াম্বনা লৌবুক্কী শরুকশিংনি। লৌবুকশিং অসিদা অহানবা লৌরোক্তা অদুক হাক্না মতেং ওইদ্রবসু অনীশুবা লৌরোক্তদি নৌনা হাপচিল্লক্কদৌরিবা উকুশিং অসিগী কান্নবা ফংগদৌরিবনি। মসিগী মথক্তা উকু অসিগী মনিং-মমাঙদা লৈরিবা মীয়ামগী মফমশিং অসিদা ঈশিং-ঈচাউগী খুদোংচাদবা মায়োক্নরক্লগসু উকুশিং অসিনা অচৌবা মতেং পাংগদৌরিবনি। অদুবু হায়রিবা অনৌবা উকুশিং অসি হাপচিন্নবগীদমক হৌজিক ফাওবদা লোইশিনবা ঙমদনা লৈরক্লিবা মফমশিং অসি ময়াই লম্বী পরিংগী মনুংদা ৱাঙ্গোই এ সীগী মনুংদা য়ুম্নাম হুইদ্রোমগী থোংখোং লক্ষ্মী কৈথেলগী হেক মনাক্তা অমা অদুগা তোপ সিফাইগা থিয়াম লৈশাংখোংগা তায়নবা তোনাপা লৈরক মনাক্তা অমগীনি। ময়াং ইম্ফাল এ সীগী শরুক্তনা রেদিও ষ্টেসন্দগীনা পাওবিতেক ফাওবগী মরক্তা লৈরিবা খাময়েনবী লমহাংদা মফম অনীনি। অদুগা উচিৱা লমহাংদা অনী, হয়েলদা অনীনি। মফমশিং অসিদা আর সী সীগী কলভর্টশিং চনখৎপগী থবকশিং চত্থরক্লিবসি কুইশিল্লক্লে। হায়রিবা থবকশিং অসি দিপার্টমেন্টেল ৱর্ক ওইনা শুবসু মান্দে। এম পি নৎত্রগা এম এল এ লোকল এরিয়া ফন্দদগীসু শুবা থবক ওইরমগনি থাজদে। অদুম ওইনমক থবক অসি চত্থরক্লিবনা মসিগী মপু অমদি শোয়দনা লৈরমগনি। অদুবু মতাংসিদা হায়নিংলিবদি অচৌবা অমসুং অপাকপা কলভর্ট নৎত্রগা থোং মচা অমনি হায়না ফাওবা লৌবা য়ারোইদবা অনৌবা উকুশিং অসি মীয়াম্না কৃক কৃক ইন্নদুনা চৎনরিবা মফমদা ওইবনা টাইম বাউন্দ মেনরদা তোপ প্রাইওরিটি পীদুনা শুজিনহনবদা করি অকায়বা লৈবগে। নৎত্রগনা উকুশিং অসিগী ওথোরিটিশিংনা চরা হেনবা কন্ট্রেক্টরদা থবকশিং শুহল্লুবগী ওইগদৌরিব্রা। য়াল্লবা উকুশিং অসি লম্বী পরিং অসিদা শেল্লিবনি হায়দুনা হৌজিক ফাওবদা লোইশিন্দনা লৈরকপনা নেসনল হায়ৱে নৎত্রগা এসিয়ন হায়ৱে অমগী ওইফম থোকপা লেন মশীংদি লায়রদনা ষ্টেট হায়ৱে অমগী ওইফম থোকপা মশক ফাওবা ওইদ্রিবা লম্বীসিদি মীয়ামদা খুরৌ থাংবা থোকহল্লে। উকুশিং অসি হৌজিক ফাওবা লোইশিন্দনা থল্লকপদগী নুমীৎ খরনিগী মমাঙদসু গাড়ী মচা তোংবা মীওই অমা তাশিন্দুনা শিরম্বগী থৌদোক ফাওবা থোকখ্রে। মরম অসিনা মরী লৈনবা ওথোরিটিনা ফনবগীদমক তৌরক্লিবা থবকশিং অসি মীওইবগী থৱায় মাঙহন্নবা হাইগৎ লাং ওইরক্তনবা হোৎনহন্নিংই।

## ◇◇◇◇◇◇◇◇◇ এডিটরদা থারকপা চিঠি ◇◇◇◇◇◇◇◇◇

### অঙাংশিংগী পুন্সি কনবীয়ু

**ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,**

হৌজিকসি কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা মহৈ লোইশঙশিং ছুটি থাবীদুনা মহৈ তমগদৌবদা মহৈ তমহৌদদুনা মী ওইবা ঙমহৌরোইদবগী শরুকপুদি লায়না-লাইচৎ অদুদা শিজখিবনা শরুক চাম্মা-চাম্মা হেন্না ফৈ। ময়েক চৎহৌরবা, ৱাহৈ খঙহৌরবা অমদি অফবা ৱাখল খনবা ঙমজহৌরবা অঙাংশিংগীদমক্তি ফৈ, অদুবু শেম্বীরগা ফগদৌবা অঙাংশিং অদুদি শেমহৌগদৌবা মতমদা শেম্বীহৌদ্রবদি হায়বদি পিক্লিঙৈদা মহৈ তমহলহৌদ্রবদি হয়েং চাউরগা মহৈ তমহনবা য়ারোই। য়োৎনা শারিঙৈদা য়ৈনীংবা মওংদা য়ৈহৌগদবনি, ঈংখ্রবদি য়ৈবা য়ারোই। লৈখোম্না পেৎলিঙৈদা শানীংবা মওংদা শাহৌগদবনি। কনখ্রবদি শাবা য়ারোই। অদুবু য়োৎতি নৌনা অমুক মৈ চঙলগা হান্নদগী হেন্না শাহল্লগা য়ৈনীংবা অমসুং শানীংবা মওংদা শাবা য়াই। লৈবাকসু নৌনা ঈশিং হাপ্পগা পেথোকহল্লগা শানীংবা মওংদা শাবা য়াই। অদুবু মীগা য়োৎকা অমদি লৈবাক্কা মান্নরোই খেন্নবা লৈগনি। মীওইবা ঐখোয়দি অঙাং ওইরিঙৈদা শেম্বীহৌদ্রবদি, পাখঙ লৈশা ফাখ্রবা মহৈ তম্বদা মহৈ মপূং ফাবা ঙল্লরোই। মরম অদুনা তুংগী য়ূম্বীরেল ওইহৌগদৌরিবা অঙাংশিংবু গভর্ণমেন্টনা কোভিদ-১৯ দগী কনবিনবগীদমক্তা ভেক্সিনেসন কেম্পেয়ন চঙবীগদৌরিবা অসিদা খরা থুনা চত্থবীদুনা তুংগী য়ূম্বীরেল ওইগদৌরিবা অঙাংশিংবু মহৈ তম্বা ফংহনবীদুনা অঙাংশিংগী পুন্সি কনবিয়ু হায়না হায়জরি।

*অদোমগী - সিনাম লুখোয় মৈতৈ*
*য়াইরিপোক বিষ্ণুনহা ময়ায় লৈকায়*

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১৫

১) "চীংয়া তময়া" (অহানবা ফোঙবা, ১৯৫৫) হায়বসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং অইবনা কনানো?

২) "মেঘনাদবদ-কাব্য (সম্পূর্ণ)" হায়বসি কনানা ইবনো অমসুং মণিপুরীদা কনানা হন্দোকখি?

৩) "খম্বা থোইবী পুন্সি ৱারী অনীশুবা শরুক" হায়বা লাইরিকসিগী অইবা কনানো?

৪) নিংথৌ "থাংয়ি তাওবুং খোংদৌবদগীনা য়োইকামু অতোনবা ফাওবগী মরমদা ইবা লাইরিক" অদু করি লাইরিকনো?

৫) "ঐদি আত্মাগী কন্সেপ্টতা থাজবা ঙমদ্রি; ঈশ্বরবু থাজবা ঙমদ্রি। ঐগী মাঙদা থোঙ অহুম লৈরে - আত্মা, ঈশ্বর অমসুং প্রকৃতি। থোঙ অনীদি হৌজিকসু লোল্লি অমদি হাংলে - অদুবু থোঙজিন কানশিল্লগা মনুং য়ৌশিনবদি ঙমদ্রি হাংলিবা থোঙ অসিসু।" কবি কনাগী ৱাহৈনো অমসুং কদাইদা য়াওখিবনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম এপ্রিল ১৫, শগোলশেন নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# নীংশিংবগী থোঙনাওদা - ২৪
## (শুমাং লীলা অমদি ঐ)

চাইথোরকপা ৱাখল
**নরেন্দ্র নিংঙোম্বা**

মমাঙগী হাপ্তাদা ইজখিবদুগী মখা চত্থরকপদা য়াম্না নোকসু নোক্লিংবা অদুগা খোইদৌসু য়াম্না শাওগৎপা থৌদোক অমসু নীংশিংলকই। মদু শল্লপনা ময়ামদা তমজগে। নোংমা অমা লম খরা লাপ্পী, মফম হায়বদা লমদুগী মীনা কৈনোমা শোয়দনা খনবীরগনি, পঞ্জররোই, লীলা চেরিটি শো অমা শান্নবা চৎলি। লীলাদু য়াম্না থেংনা হৌই, মরমদি ভাবোকশিং য়াম্না থেংনা থোক্নরকপদগীনি। করিগীনো খঙদে, নুমিৎতুমদি মী য়াম্না য়েংদে। লিলাদু মান্দোপ অমদা শান্নবনি, মান্দোপ ময়ায়দুদা পেত্রোমেক্স থাওমৈ অমা থাল্লি। নুংশিৎ অহুম/মরিরক হাল্লফাওবা ভাবোকসি হেক্তা মপূং ফানা তিনদ্রবনি। মমৈদদি পেত্রোমেক্সতুদা হাল্লিবা কেরোসিনদু লোইরকপদগী মৈ হৌরক্লে। অদুবু বামোন য়ূম্বুদুনা লিক্লি অমদা কেরোসিন পুথোরক্তুনা পেত্রোমেক্স য়াল্লিবা থৌরিদু চিংথরগা হাপ্পী। অদুগা মৈদু শেম্মগা ঙালহল্লি। মতমদু ফাওবা মীসি মশীং ইহেন হেগৎত্রে। টিকেট ইকক-কক্লদ্রে। অদুনা ঐখোয়গী পীনবা শেল শোয়দনা অৱাৎপা লৈরম্মগনি হায়বসি ঐখোয় খঙই। ঐখোয়গীনি হায়দুনা চাকসু থোংই হায়, অদুবু লীলা লোইরগা চাগে হায়বদগী চাদ্রে, আর্টিষ্ট ময়ামদি মেক-অপ তৌশিল্লগা, উই-উইদুনা লৈবা, ফি শেৎফমদা হিপথরগা তূম্বসু য়াওনরবনি। অদুবু মতমদি অহিং সুম থেংজিল্লকপনিনা, লীলা কৌরিবা নহাশিংদু কৌশিল্লগা ৱারী শানরে। - "নখোয়গীসি কমাই তৌসিগে, নোংমা অমা তৌরসিরা নৎত্রগা কমদৌসিগে" হায়না হংই। মখোয়সি মকোক্তু ঙাওরে, টিকেট কক্লিবশিংদুনা হায়রিবনা লীলাদু মতুংদা তৌরদি য়েংলোই, ঙসিমক তৌদবা য়ারোই সিনি। মমৈদা লীলা কৌরিবশিংদুনা "ফরে লীলাসি শান্নবীরো, শেলদু ঐখোয় মাঙজরগে, ঐখোয় থিন্নরগা হোরেল লোইরকপদা পীজরগে" সিনি। অদুদি চৎনবীনিনা ঐখোয়সু অদুম য়ারে। লীলাদু শান্নরে। লীলা শান্নরিঙৈদুদা ঐনা চেপথ-চেপথ য়েংবদা লীলা কৌরিবশিংদু লৈবা উদে। অদুবু ঐনা খল্লি - মখোয় অহিংসিদা ঐখোয়দা পীনবা শেল থিবা চৎনরমগনি হায়না। লীলা লোইরে। অদুবু লীলা কৌবশিংদুদি লাক্ত্রে। অয়েংবা ভাবোকশিং ময়ূমদা হন্নখ্রে। মী অমত্তা মান্দোপ্তুদা লৈত্রে। মাইক খোংলম্বদুসু মাগী মাইকতু লৌথরগা রিক্সো অমদা হাপ্পগা ইল্লগা চৎখ্রবনি। ঐখোয়দি চাকসু চাদে, কনাগী ইমুংদা চঙগদবনো হায়বসু খঙদে। হংগদবসু মীসু লৈত্রে, খোইদৌসি শাওগৎপদা লোইরে। লীলা চেবাউ লৌরিবা মীদু কনানো হায়না থিনবদা চন্দ্রো কৌবা নুপা অমনি হায়বদি খঙলে। ঐখোয়সি মীগী মান্দোপ্তুদা পেত্রোমেক্স তুগা ঐখোয়গদমক ঙাইরবনি। মান্দোপতুগী বামোনদুসু থোঙ লোনশিনখ্রে। কনামসু লৈত্রে। ফনা য়াম্না থেংলে, মমৈথংদা ঐখোয়না ফরে, পেত্রোমেক্সসি ওইনা পুরগা চৎলসি হায়না ঐখোয়না পেত্রোমেক্সতু লৌথরে। পুরসি হায়না তৌবা মতমদদি য়ূম্বু বামোনদু থোরক্লগা, "পেত্রোমেক্স থাওমৈদুদি মাগীনি, লীলা কৌরিবশিংদুনা ৱাইবনি অদুদদি পুবিখিনু হায়রে।" "লীলা কৌবশিংদু ঐখোয়গী ওফিসতা লাক্লগা লৌরসনু, ঐখোয় মাঙহল্লোই" হায়না হায়বদা য়ানদ্রে। বামোনদুসু শাওরক্লে, থাওমৈদু মুন্নবগী টাইপতা লাক্লে। অদুনা ঐখোয় থাওমৈদুসু থনম্মে। অদুগা খূৎ হাঙখৈ হল্লক্লে। লম্বীদা পুলিস ষ্টেসন্দা রিপোর্ট অমদি তৌরমখি। চাকসি লাম্বসি লাম্বসি, করিমত্তা চানবা ফংবা মতম নৎত্রবনিনা, লম্বীদা হল্লকপদা বিষ্ণুপুর বজারদুদা টোটি ঈশিংসি জোরো জোরো তাদুনা লৈরম্মী। মদুদা কুমথরগা ঐখোয়না ঈশিং খুজেক-খুজোক থকখিবদু হৌজিক্তদা নীংশিংলগা য়াম্না নোক্লিংবসু ফাওই। মদু অঙকপা পুন্সি খোঙচৎকী এক্সপরিএন্স অমনি।

মসিগা মান্নবা থৌদোক খরসু লৈ, মদুদগী অমগা তমজগে, য়াওশঙগী লীলা শান্নবনি। লৈশাবীশিংনা থোঙ্গালদা, লম্বীদা অচৎ-অওকশিংদগী শেল মুল্লগা খোমগৎচদুনা লীলা কৌবনি। লীলাগী পীনবা শেলদু মখোয়না মখূৎতা পায়রগা লৈজরবনি। অদুবু অওৎ অপা শাবা লৈকায়গী পাখঙ মচা খরনা, নখোয়গী শেলদু ঐখোয় পীবিগে, খঙনবসু য়াওই, খরা তাহনগে হায়না লৌথোকপীখ্রবজাৎনি। ঐখোয় লীলা শান্নরে। লীলা লোইরগা মথংগী শো অমসু চৎকদবগী হোবে হোবে তৌবা মতমনি। দখিনা তৌরো হায়না লৈশাবীশিংদু কৌশিল্লে। লৈশাবীশিংদুনা মখোয়না পীখিবা লৈকায় পাখঙশিংদু কোয়থী থিনরে। থিবা ফংদ্রে। লৈশাবীশিংদু কপ্পা য়াওনরক্লে। মখোয় ইকায়বনা লোইরে। অদুবু নুপাখৈদুদি থিবা খঙদ্রবনিনা কমদৌনি। ঐখোয়সি খোন খরা কল্লপ হায়নরে। লৈকায়গী মমা-মপাশিং থোরক্তুনা ৱাফংনবা য়াওরে। অদুবু মখোয়না পুথোক্লগা পীবগী ৱাদি ইপন পন্নদে। মোইনা হায়রিবনা, "নুপাশিংদু থিরগা কোন্না থিল্লক্লগে" সিনি। ঐনা, "মদু চৎনদে, য়ারগদি নখোয় কোন্না লৌশিন্নহৌরো, ঐখোয়গী পীফম থোকপদু পীরো" সিনি। নুপাশিংদুদি শেলদুনা জ্বার শান্নথোক্লগা লোইনা মাঙখিবদগী লোৎখ্রবজাৎনি, মদু কোন্না খঙলকপনি। য়াম্না মথোঙ চাদবা থৌওংনি। ঐখোয় নুমিৎতুসু শেল অমত্তা ফংদনা হল্লকখি। হাপ্তা অমরোম লৈরগবুদি, মী খরা লাক্লগা ওফিসতা থিল্লকখি। তৌবতবু অদুগুম্বা মওংদুদি ফজদেদনা। মসি অয়াম্বা লৈকায় লৈকায়দা লৈ, ঐখোয়না নম্ফু হাফু তৌরগা শেল নমদনা তাহল্লগা, অতাবা শেলদু মখোয়না লৌবা, মসি য়াম্না তৌনৈ। লৈকায় খুদিংদা লৈ। অদুবু ঐখোয়না লীলাগী কোদ লেংগ্বেজ ওইনা খঙনবদা 'ইতো' হায়না খঙনৈ। করি হায়রিনো ঐসু খঙদে, মথায় থায়নগী অহলশিংনা অদুম শীজিন্নবা ৱাহৈনি। অদুনা মী চগৎ-চগৎ ঙাঙবা অমা লাক্লবদি ঐখোয়গী মরক্তগী অমনা অদুম হায়রক্লে। "ইতো লাক্লে চেকশিল্লুকো" হায়না। সিগুম্বা থৌদোক কয়াশিং অসিনা মরম ওইরগা মমৈদদি লীলা হৌদ্রিঙৈদা শেল হান্না লৌবসি হৌদোক্লগা লাকখি। মতমদুদা মীয়াম্না য়াম্না শাওখি। পোৎ লৈদ্রিঙদা শেল হান্না পীগদ্রা হায়না। লীলা লোইরগা পীনি, করিগী লীলা হৌদ্রিঙৈদা শেল পীদৌরিনো হায়না শাওবা ময়াম অমা লৈখি। মদুদা ঐখোয়না তাগদৌবা খুদিংমক হৌজিক তাজগে, ঐখোয় লীলা হেক লোইবগা শৎ চৎখিনবনি হায়না খুন্মী। অদুবু শাওনবনা কোঙ্গাই ওইখি। সিদা নত্তে, লীলা কৌখৈ কৌরগা শান্নফম লৈরমদবসু কোঙ্গাইনি। গাড়ী ৱাইদুনা চৎখৈ চৎলগা হায়রম্বা মফমদু য়ৌবদা, শ্বাইদা লীলা তৌনি হায়বা তাদে হায়না হায়রকপা মফমসি য়ামখ্রবজাৎনি। অদুনা লীলা চৎত্রিঙৈদা এদভান্স লৌবা হায়বা অসিসু ঐখোয় পার্টিনা ইহান হান্না লৌবনি। অদুসু লীলাগী অহল লমনশিংনা শাওবীখি, লীলাবু এদভান্স লৌবা করিগীনো হায়না। অদুনা ঐখোয়না চৎনরোল অনৌবা খরা শেমগৎলকপসি অহলশিংনদি অদুম শাওখি। অদুনা ঐসি য়াম্না লম হেনবা, হায়বা ইন্দবা হায়বদু তাখি অহলশিংগী মরক্তা। অদুবু হৌজিক্তি মসিগী চৎনবীসি লেঙদনা চৎনহৌরে। মতমদুগী খুদোং চাখিদবা কয়া অদুমদি হৌজিক লৈত্রে। পূমকোক কোকখ্রে। ●

# মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিল্লবা মতুংদা ওইরক্লিবা ফীভম - ১৫৭

**উসম ধনঞ্জয়**

**দিসেম্বর ১৮, ২০০৯ :** জুলাই ২৩দা থোকখিবা খ্বাইরম্বন্দ বজার থৌদোক্কী মতাংদা মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন্না চত্থবা প্রোসিদিং রেকোর্দশিং লাক্লিবা তাং ১৫ ফাওবগী মনুংদা কোর্টতা থম্নবা গৌহাটি হায় কোর্ট, প্রিন্সিপাল সিটনা হ্যুমেন রাইটস কম্মিসনগী এদভোকেট ইরোম ললিৎতা খঙহনখিবা মতুংইন্না কোর্টতা হায়রিবা কেস রেকোর্দশিং অদু সবমিট তৌখ্রে।

মণিপুরগী এদভোকেট জেনরেলনা গৌহাটি হায় কোর্ট প্রিন্সিপাল সিটতা থাঙ্গৎলকখিবা মিসেলিনস কেস (এম সী ৩৩১৩/০৯, রিফ দব্লিয়ু পি (সী) নং ৪৩৮০/০৯) অমদা কোর্ট অসিগী জষ্টিস অনিমা হজারিকানা প্রোসিদিংস রেকোর্দ পীখৎলক্নবা দিরেক্সন অদু পীখিবনি।

থা অসিগী তাং ৮দা চত্থখিবা প্রোসিদিংগী মখা তারকপা ওইনা ঙরাং কেস অসিগী এদমিসন হিয়ারিং তৌগদবদু পার্ট হার্দ হায়না লান্না কেস লিষ্টতা য়াওশিল্লকপদগী রেজিষ্ট্রিনা মখা তানা জন্যুৱারী তাং ৫দা চানবা বেঞ্চ অমদা এদমিসন হিয়ারিং তৌনবা মতম লেপ্পদা পার্টি অনীমক্কী কাউন্সেলশিংনা য়ানবা পুরকখ্রে হায়রি।

এম ঐচ আর সীগী মায়কৈদা কাউন্সেল ওইরিবা আই ললিতকুমারনা সবমিট তৌরকখিবা এম ঐচ আর সী কেস নম্বর ২০০৯গী ১০ অমসুং ১২গী রেকোর্দশিং অদু কোর্ট অসিগী রেজিষ্টার জেনরেলগী কষ্টদিদা থমখ্রে হায়রি।

**দিসেম্বর ১৮, ২০০৯ :** জুলাই ২৩ থৌদোক্কী মতাংদা মহৈরোয় লূপ ৩ এমসু, এম এস এফ অমসুং কে এস এনা চঙশিল্লিবা ক্লাস বোইকোটকী খোঙজং অসিনা স্কুল কয়াম শোকহল্লিবগে অমসুং স্কুল কয়াম্না ক্লাস তৌরিবগে হায়বগী মতাংদা মণিপুরগী গভর্ণরদা স্কুল এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টনা ষ্টেটস রিপোর্ট অমা ঙসি পীশিনখ্রে হায়রি।

রিপোর্ট অদুগী মতাংদা প্রেসনা ফংবা পাউদা, চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা লৈবা স্কুল ১৫৪১ লোইনমক ক্লাস তৌই। অদুমকপু, তম্পাক্কী ওইনদি পূন্না স্কুল (প্রাইভেট/গভর্ণমেন্ট) ২২৮০ লৈবগী মনুংদা শুপ্নগী ৭৪৫ হায়বদি চাদা ৩৩ রোমদমক ক্লাস তৌরি। অতৈনা ক্লাস তৌদে হায়রি।

পাউ অসিগী মতুংইন্না, মণিপুরগী চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা প্রাইভেট স্কুল ৫৬৯, গভর্ণমেন্টকী স্কুল ৬১৯ অমসুং এদেদ স্কুল ৩৫৩ পূন্না ১৫৪১ লৈ। স্কুলশিং অসি লোইনমক ক্লাস চখৈ। মহৈরোয় লূপ ৩গী ক্লাস বোইকোটকী খোঙজংদা শোকপা লৈতে হায়রি।

অমরোমদা, তম্পাক্কী ওইনা লৈরিবা স্কুল মশীংনা (হায়র সেকেন্দরি/হায়স্কুল/জুনিয়র হায়স্কুল/প্রাইমারি স্কুল) ২২৮০নি। মদুগী মনুংদা ৭৪৫ খক্তমক ক্লাস তৌরি। মসিগী মনুংদা প্রাইভেটকী স্কুল ৬০২ লৈবদা ১৬৮ ক্লাস তৌরি। লৈঙাক্কী স্কুল ১২৮৮ লৈবদা ৪৪২ অদুগা এদেদ স্কুল ৩৯০ লৈবদা ১৩৫ ক্লাস তৌরি হায়রি।

তম্পাক্কী স্কুল ২২৮০ লৈবদা স্কুল ৭৪৫ খক্তমক ক্লাস তৌরিবা অসি চাদা পারবদি ৩৩ রোমতনি। তম্পাক্তা ক্লাস তৌরিবা অসি গভর্ণমেন্ট স্কুলশিংনা চাদা ৩৪ রোম, এদেদনা চাদা ৩৫ রোম অদুগা প্রাইভেটনা চাদা ২৮ রোমনি। অপূনবা ওইনা মণিপুরদা হৌজিক লৈরিবা স্কুল মশীং অসি প্রাইভেটকী ১১৭১, গভর্ণমেন্টকী ১৯০৭, এদেদকী ৭৪৩ পূন্না ৩৮৩১নি হায়রি।

গভর্ণরনা স্কুলশিংগী করেন্ট ষ্টেটস রিপোর্ট অমা কৌরকপদগী লানখৎখিবা রিপোর্ট অসি জোনেল ওফিসরশিংনা পীখৎলকপা রিপোর্টতা য়ূম্ফম ওইবনি হায়নসু পাউ অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

**দিসেম্বর ১৮, ২০০৯ :** জুলাই ২৩ থৌদোক্কী মতুংদা অপূনবা লূপনা চঙশিনবা খোঙজংবু শৌগত্তুনা মহৈরোয় লূপ অহুম এমসু, এম এস এফ অমসুং কে এস এনা ক্লাস বোইকোটকী ফিরেপ লাউথোকখিবদগী স্কুলশিং মরু ওইনা তম্পাক্কী প্রাইভেট স্কুল অয়াম্বা ক্লাস হৌবা ঙম্নদ্রিবা অসিগী মতাংদা চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবীনা চ্যের লৌদুনা মহাক্কী সেক্রেটরিএটকী কনফরেন্স হোলদা ঙসি নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা কূপ্পা খন্নখ্রে হায়রি।

মরক অসিদা, মণিপুর লৈঙাক্কী স্কুল এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টনা হৌজিক ক্লাস হৌদ্রিবা স্কুলশিং পব্লিক ইন্টরেষ্টতা থা অসিগী ২১দগী ক্লাস হৌনবা আপিল তৌখ্রে। লোয়ননা স্কুল অমত্তনা পরিক্ষা পাঙথোক্তনা মহৈরোয়শিং প্রমোসন পীবা য়ারোই হায়রি।

প্রেসনা ফংবা পাউদা ঙসি নুংথিল চীফ মিনিষ্টরনা প্রিসাইদ তৌদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা এদ্যুকেসন মিনিষ্টর এল জয়েন্তকুমার, দি জি পি ৱাই জয়কুমার, এদ্যুকেসন (এস) কী এদিসনেল দিরেক্টর ভেল্লি, হরেশ্বর গোশ্বামি প্রাইভেট স্কুলশিংগী ফাউন্দর/পিন্সিপাল ১৫ রোমসু য়াওখি হায়রি।

মীফম অদুদা প্রাইভেট স্কুলগী অথোরিটিশিংগী মায়কৈদগী, মখোয়গী ওইনদি স্কুলশিং অদুম হাংদুনা লৈ অদুমকপু, লৈরিবা ৱাথোক অসি চপ চাবা ৱারোইশিন অমা লৈত্রিবনা মমা মপাশিংনা অঙাংশিংবু স্কুলদা থারক্তবনি হায়না ফোঙদোকখি হায়রি।

মরক অসিদা, মণিপুর লৈঙাক্কী স্কুল এদ্যুকেসন (এস) কী এদিসনেল সেক্রেটরি, এম হরেকৃষ্ণনা থাদোরকপা চেরোল অমদা, হৌজিক ক্লাস হৌদ্রিবা স্কুলশিং পব্লিক ইন্টরেষ্টতা মরু ওইনা মহৈরোয়শিংগী খল্লগা থা অসিগী ২১দগী ক্লাস হৌনবা আপিল তৌরক্লি।

চেরোল অসিগী মতুংইন্না, স্কুলশিংনা পরিক্ষা পাঙথোকপা তৌদনা মহৈরোয়শিংবু হেক্তমক শাদিংদা প্রমোসন পীবা য়ারোই হায়রি।

পাঙথোক্কদৌরিবা প্রমোসন এগজাম অদুসু নোর্মেল ক্লাস নিংথিনা চত্থরবা মতুংদা পাঙথোক্কদবনি। লৈঙাক্না অকনবা মীৎয়েং চঙগনি হায়নসু খঙহল্লক্লি।

নীংশিংবা য়াবদি থা অসিগী ৭তসু এদ্যুকেসন মিনিষ্টরনা স্কুলশিং ক্লাস হৌনবা আপিল তৌবা লৈখ্রবনি। লৈঙাক্কী ওইনসু চৎলিবা একাদেমিক সেসন অসিদগী হৌনা স্কুলশিংগী প্রমোসন এগজাম মথংগী ফেব্রুৱারীদা পাঙথোকপা অদুগা এপ্রিলদগী অনৌবা সেসন হৌবা হায়বা ফিরেপ লৈরবনি। অথুবদা ওর্দর থোক্লগনি হায়রি।

ক্লাস হৌবা ঙমদবা প্রাইভেট স্কুলশিংগী মহৈরোয়শিংনা মতম চানা পাঙথোক্কদৌরিবা ক্লাস তেন (বোর্দ) অমসুং ত্বেলভ (কাউন্সিল) গী পরিক্ষাশিং শরুক য়াবা য়ানবগীদমক তঙাইফদনা হৌজিক চত্থরিবা লৈঙাক্কী স্কুলশিংদা ত্রান্সফর তৌনীংলবসু মদুগী খুদোংচাবা পীগনিসু হায়রি।

**দিসেম্বর ১৮, ২০০৯ :** মণিপুরগী বসশিংনা ষ্টেট অসিদা নন-মণিপুরীশিং পুশিল্লকপা য়ারোই হায়না অতোপ্পা ষ্টেটশিংদা লৈরিবা মণিপুরগী বস কাউন্টরশিংদা কিহল্লকপদগী মরী লৈনবা ষ্টেট ওথোরিটিশিংদা সিক্যুরিটিগী মপূং ফাবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপীনবা মণিপুর লৈঙাক্লা হায়জখ্রে। নাকল অমরোমদা মণিপুরদা হন্দক নন মণিপুরী হাৎলিবশিং অসি চয়োল অনীগী মনুংদা ফাগৎনবা দি জি পিনা এস পিশিংদা খঙহনখ্রে হায়রি।

ইম্ফালগী জগাদা নন-মণিপুরীশিং অমুক হাৎপা হৌরকপা তালক অসিদা শকখঙদবা খরনা মণিপুরদা চঙলকপা বস ত্রাবেল এজেন্সিশিংদা নন-মণিপুরীশিং তোংহনবা য়ারোই, করিগুম্বা নন-মণিপুরীশিং বসতা তোংহন্দুনা মণিপুরদা পুশিল্লক্লবদি অফবা ওইরোই হায়না কিহনবা লৈরে হায়রি।

ত্রাভেল এজেন্সিশিংদা কিহল্লকপা ৱাফম অসিগা মরী লৈননা মণিপুরগী বস কাউন্টরশিং হাংলিবা সিলচর, কোহিমা, দিমাপুর অমসুং গুৱাহাটি সিটিগী এস পিশিংদা মতিক চাবা সিক্যুরিটি পীবীনবা অমসুং অথিংবা পীরিবা মীওইশিং অদু মশক খঙদোক্নবা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী এস পিনা চেরোল অমমম থাখ্রে হায়না পাউ অসিনা হায়রি।

হন্দক মরক ইম্ফালগী মফম খরদা শকখঙদবশিংনা নন-মণিপুরী হাৎপা অমুক হৌরক্লিবা অসি মণিপুর পুলিস দিপার্টমেন্টনা য়াম্না লূম্না লৌবগা লোয়ননা হীরম অসিগী মতাংদা মণিপুর পুলিসকী দি জি পিনা প্রিসাইদ তৌদুনা মীফম অমা পাঙথোক্লগা খন্নখ্রে।

ওইরক্লিবা ফীভম অসি মীফম অদুদা অমুক হন্না পুথোক্তুনা খন্নবগা লোয়ননা নন-মণিপুরীশিং হাৎলিবসি কনানা হাৎপনো হায়বদু খঙদোক্লবা অমসুং মরাল লৈবশিং অদু চয়োল অনীগী মনুংদা ফানবা মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা এস পিশিংদা দি জি পিনা অকনবা ৱারোল থমখি হায়রি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী সেনিয়র এস পি এন কাইলুন, আই পি এসনা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না হন্দক মরক নন-মণিপুরীশিং অমুক হাৎপা হৌরকপা অসিদগী মণিপুরগী ৱাংমদগী থবক শুবা লাকপা নন মণিপুরী ৬৯ লোম তোঙান তোঙানবা মফমদগী কৌখৎলগা ধর্ম্মসলাদা হাংদুনা লৈরিবা রিলিফ কেম্পতা থমজিনবা হৌরে হায়রি।

থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিং অসি য়ারিবমখৈ থিংনবা তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা ফ্রিস্কিং এন্দ চেক্কিংগী থবক হেন্না কনশিনহল্লে হায়নসু এস পিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

মণিপুরদা লৈরিবা নন মণিপুরী/মাইগ্রেন্ট লেবরশিংনসু খুদোংথীবা থোক্তনবা মফম খুদিংমক্তা চত্তুনা থবক শুবগী থবক লেপ্পীয়ু। মীয়ামসু নন মণিপুরীশিং/মাইগ্রেন্ট ৱার্করশিং থেংনবা য়াওরবদি মখোয়বু সিক্যুরিটিগী খুদোংচাবা পীনবা পাউ পীরক্লবসু এস পিনা প্রেসতা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

করিগুম্বা পুলিসকী দরকার লৈরবদি এস এস পি/ইম্ফাল ৱেষ্টকী টেলিফোন নম্বর ২৪৫০১৫৯, কন্ট্রোল রুমগী নম্বর ২৪৫০২১৪, ইম্ফাল পি এসকী নম্বর ২৪৫০০০২, সিটি পি এসকী নম্বর ২৪৫৮৫১৫ অমসুং লম্ফেল পি এসকী নম্বর ২৪১৪৬১৬তা পাউ ফাওবীয়ু হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তারি।

**দিসেম্বর ১৮, ২০০৯ :** য়াইস্কুল এ সীগী এম এল এ এলাংবম কুঞ্জেশ্বরনা খঙহৌদনা লৈখিদ্রবা মতুংদা হাংদুনা লৈরিবা এম এল এগী ফম মেনশিন্নবগীদমক হয়েং পূন্না ভোটর ২৩,৪৯৯না মীখল থেংনরিবা মীরেপ ৪গী লাইবক লেপ্পগনি।

মীরেপশিং অদুদি লৈখিদ্রবা এম এল এ এলাংবম কুঞ্জেশ্বরগী মচানুপা এলাংবম সুরজ (আই এন সী), জে দি এসকী সৌবাম রাজেন্দ্রকুমার, ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ অরিবম জগদিস শর্ম্ম অমসুং হৌজিক হৌজিক ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী কাউন্সিল্লর ওইরিবা ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ হঞ্জবম জয়দেব শর্ম্মনি। ●